# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

**Sunday, January 31, 2021, Imphal** **Page 11**




মালেমদা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী ভেক্সিন পুথোকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শেমখিবা কোভিশিল্ড ভেক্সিনগী অহানবা দোজ ফংখ্রবা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বট্রা

মমাংদা পোর্টুগালগী ফুটবোল ক্লব পোর্টোদা অমদি রসিয়াগী জেনিথ সেন্ট পিটর্সবর্গ ফুটবোল ক্লবতা শান্নবা ঙমখ্রবা ব্রাজিল মচা হৌজিক্লা চাইনাগী শাংহাই এস আই পি জিদগী থোরক্লগা ইটালিগী এটলেটিকো মিনৈরোদা য়াওখ্রবা হল্ক



## নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা পোইন্ট লুচিংলিবা মুম্বাই সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

31st Jan, Sunday (77th & 78th Match)

Hyderabad FC vs Chennaiyin FC Time : 5:00 PM

ATK Mohun Bagan vs Kerala Blasters Time : 7:30 PM



*নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী মুম্বাই সিটি এফ সীগী গোল তম্না শোট অমা কাওশিনখিবা*

বম্বোলিম, জন্যুৱারী ৩০(এজেন্সী): গোৱাগী সিটি বম্বোলিমদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ৭৬শুবা মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মুম্বাই সিটি এফ সীবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফজবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী মাংওইননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী হান্না শান্নখিবা মেটচ ১৩দা পোইন্ট ১৮ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, মুম্বাই সিটি এফ সী মেটচ ১৩ শান্নবদা পোইন্ট ৩০ ফংলগা মকোক্তা অদুম্মক লৈখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ওল্লিঙৈ শুপ্নগী মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা এটেক অমগী মতেংনা নিম দোরজিনা পীরকপা ক্রোস অমদা টিমমেট দেসোর্ন ব্রাউননা য়াম্না নকপা মফমদগী কাওশিনখিবদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী গোলকিপর অর্বিন্দর সিংহ মায়থীবা পীরগা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা অথুবা মতমদা চত্থরকপা এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ব্রাউননা ৯শুবা মিনটতা ২শুবা পাঞ্জল চল্লগা লৈখি। মেটচকী লোইরমদায় ৪৫শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী লি ফোন্দ্রেনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ১-২দা মখোয় মায়থীখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 14 | 9 | 3 | 2 | 20 | 7 | 13 | 30 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 13 | 7 | 3 | 3 | 13 | 7 | 6 | 24 |
| 3 | FC Goa | 14 | 5 | 6 | 3 | 19 | 14 | 5 | 21 |
| 4 | Northeast United FC | 14 | 5 | 6 | 3 | 19 | 18 | 1 | 21 |
| 5 | Hyderabad FC | 14 | 4 | 7 | 3 | 18 | 16 | 2 | 19 |
| 6 | Chennaiyin FC | 14 | 3 | 7 | 4 | 11 | 14 | -3 | 16 |
| 7 | Bengaluru FC | 14 | 3 | 6 | 5 | 17 | 19 | -2 | 15 |
| 8 | Jamshedpur | 14 | 3 | 6 | 5 | 13 | 17 | -4 | 15 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 14 | 3 | 6 | 5 | 17 | 22 | -5 | 15 |
| 10 | East Bengal Club | 14 | 2 | 7 | 5 | 12 | 18 | -6 | 13 |
| 11 | Odisha FC | 13 | 1 | 5 | 7 | 13 | 20 | -7 | 8 |

## স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমদি চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি

HSBC BWF World Tour



বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ৩০(এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমদি চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

কেরোলিনা মারিননা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় পোর্নপাৱি সো সুৱোংবু ইকোম কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৩, ২১-১৩দা থোইবা ঙমখি। অমরোমদা, চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংবু ২১-১৮, ২১-১২দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা দেনমার্ককী শান্নরোয় অনী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ভিক্টর এজলসেননা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন সেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৬, ২১-৯দা থোইরমখি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেননা অতোপ্পা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় ৱাং জু ৱৈবু অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৮, ১৪-২১, ২১-১৬তা থোইবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমদি ৱাং সী লিননা ইন্দোনেসিয়াগী মহমদ অসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানগা লম্বা তৌনরগনি। চাইনিজ টাইপৈগী প্যের অদুনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা ঙসি ইংলেন্দগী প্যের বেন লেন অমসুং সোন বেন্দিবু ২২-২০, ২১-১৭তা থোইরম্বনি। অদুগা মালেসিয়াগী প্যের অদুনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী প্যের সোই সোলগিয়ু অমদি সিয়ো সুং জেবু ২৩-২১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরমখি।

নুপীগী দবলসতা সাউথ কোরিয়াগী প্যের অনী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। লি সো হি অমদি সিন সিয়ুং চাননা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা মালেসিয়াগী প্যের চৌ মৈ ক্কান অমদি লি মেন য়োনবু ২১-১৪, ২১-১৫দা থোইখি। অদুগা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী প্যের কিম সো য়ুং অমদি কোং হি য়োংনা থাইলেন্দগী প্যের কিটি থারাকুল অমদি প্রজোংজিয়াবু ২১-১১, ১২-২১, ২১-১৬তা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলদা সাউথ কোরিয়াগী প্যের সিয়ো সিয়ুং জে অমদি সে য়ুজুংনা থাইলেন্দগী প্যের দেচাপোল অমদি সাপস্রিগা ফাইনেল শান্নরগনি।

## দেনমার্ক অমসুং স্বিদেননা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

EGYPT 2021 27TH MEN'S HANDBALL WORLD CHAMPIONSHIP

কাইরো, জন্যুৱারী ৩০(এজেন্সী): ইজিপ্টনা য়ূম্ব ওইদুনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংদা শান্নবা ২৭শুবা মেন্স হেন্দবোল ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা দেনমার্ক অমসুং স্বিদেন লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা কাইরো সিটিদা লৈবা ইন্দোর হোল কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা স্বিদেন অমসুং ফ্রান্স লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতগী হৌরগা স্বিদেননা ফ্রান্সপু হেন্দুনা লাকখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা স্বিদেননা ফ্রান্সপু পোইন্ট ১৬-১৩দা হেন্দুনা লৈখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা হাফতা স্বিদেননা পোইন্ট ১৬ লৌবা ঙমখি। অদুগা ফ্রান্সসু অহানবা হাফকী স্কোর অদুগা মান্ননা পোইন্ট ১৩ লৌরগা মেটচ অদু স্বিদেননা পোইন্ট ৩২-২৬তা থোইখি।

স্বিদেনগী মায়কৈদগী ৱেননা পোইন্ট ১১ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। অদুগা ফ্রান্সকী দেসকটনা পোইন্ট ৫ লৌখি।

হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অদুমক্তদা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা দেনমার্ক অমসুং স্পেনগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মেটচ অদু হৌরকপদগী হৌনা মায়োক্লখি। অহানবা হাফ অদুদা দেনমার্কনা স্পেনদগী শুপ্নগী পোইন্ট ২ খক হেল্লগা পোইন্ট ১৮-১৬তা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা দেনমার্ককী মায়কৈদগী পোইন্ট ১৭ স্কোর তৌবা ঙমখি। অদুগা স্পেনগী মায়কৈদগীনা পোইন্ট ১৭ স্কোর তৌখি। অনীশুবা হাফ অদুদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী পোইন্ট চপ মান্নখ্রবসু অহানবা হাফতা দেনমার্কনা পোইন্ট ২খক হেনখিবা অদুনা মরম ওইরগা সেমীফাইনেল মেটচ অদু মখোয়না পোইন্ট ৩৫-৩৩দা থোইখি। দেনমার্ককী মায়কৈদগী এম হনসেননা পোইন্ট ১২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। অদুগা স্পেনগী মায়কৈদগীনা দুসে দেবনা পোইন্ট ৭ লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল অমসুং ৩শুবা পোজিসনগী মেটচশিং হয়েং অথেংবদা শান্নরগনি।


LANLEIMA VENTURES PVT.LTD.

+91-8431803610, +91-9362273890

lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT

Vide letter no. LVPL/REC/001-2020, Dec. 29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in Lanleima Ventures Private Limited. A Pvt. Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA New Delhi under Companies Act. 2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos. | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | General Manager | 01 | MBA (Fin.) | 18,000/- - 36,000/- |
| 2. | Asst. Gen. Manager | 01 | MBA (Fin.) | 16,000/- - 32,000/- |
| 3. | Branch Manager | 02 | MBA (Fin.) | 14,000/- - 28,000/- |
| 4. | Asst. Br. Manager | 02 | BBA (Fin.) | 12,000/- - 22,000/- |
| 5. | Project Manager | 04 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 6. | Project Consultant | 06 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 7. | Office Secretary | 01 | Graduate | 10,000/- - 18,000/- |
| 8. | Computer Optr. | 08 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |
| 9. | BDO | 120 | 10+2 | 06,000/- - 10,800/- |
| 10. | Cashier | 02 | B.com | 07,500/- - 12,000/- |
| 11. | Loan Manager | 06 | Graduate | 08,000/- - 16,000/- |
| 12. | Loan Officer | 08 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 13. | CRM | 02 | BBA/MBA | 08,000/- - 16,000/- |
| 14. | CRO | 04 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 15. | Office Assistant | 02 | XII | 06,000/- - 10,800/- |
| 16. | Recovery Staff | 48 | 10+2 | 08,000/- - 12,500/- |
| 17. | Marketing Manager | 02 | MBA Marketing | 12,000/- - 28,000/- |
| 18. | Marketing Excutive | 12 | Graduate | 07,500/- - 16,800/- |
| 19. | Loan Inspectors | 05 | 10+2 | 06,500/- - 12,500/- |
| 20. | Accountant | 02 | B.com wt. tally | 07,000/- - 12,000/- |
| 21. | Finance Executive | 15 | X or XII | 06,500/- - 12,500/- |
| 22. | Co-ordinator (Livelihoods @ Farm) | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 23. | Cluster Co-Ordinator | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 24. | Cluster Dev. Officer | 20 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 25. | PRO | 08 | 10+2 or Graduate | 06,500/- - 12,500/- |
| 26. | Pro. Dev. Executive | 12 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |

Interested Candidates may collect the application form from the Head Office of the Lanleima Ventures Private Limited located at Khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is wednesday the 10th Febuary, 2021. For more details please contact us @ Mail ID : lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Lanleima Ventures Private Limited

HL-P/8725/29/1-12/2


## ফোর্সনা সঙাইবু রন ১০২দা মায়থীবা পীখ্রে, ইবসা, কে এ এস সী অমসুং পি এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০(ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোরকপা মঙাশুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদ অমসুং দল্লিয়ু রমানন্দ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি অহুমশুবা মেটচতা ফোর্স সী সীনা সঙাই সী সী সীবু রন ১০২দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মঙাশুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টতা শান্নখিবা মেটচশিংদা ইবসানা য়ু সী সীবু ৱিকেট ৭তা, কে এ এস সীনা আর সী এবু রন ১৫দা, অদুগা পি এস সীনা এস এস য়ুবু ৱিকেট ৪দা থোইবা ঙমখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা এলিট গ্রুপকী অহুমশুবা মেটচতা ফোর্স সী সীনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৯২ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর সমিরনা রন ৩৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেন সুবানুদ্দিন, পর্বিস খুসুরু, সদাম শাহ অমদি ইস্লাউদ্দিননা মথংশিংনা রন ২৭, ২৫, ২৭ অমসুং ২৮ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংখি।

মায় পাক্লনবা সঙাই সী সী সীনা রন ১৯৩ লৌননবগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ২৭শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা রন ৯০খক লৌরগা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু ফোর্স সী সীনা চাওনা রন ১০২দা থোইবা ঙমখিবনি। সঙাই সী সী সীগী মায়কৈদগী সন্দিপ চক্রবর্তি অমদি রাকেশোরনা রন ১৪/১৪ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ঙসি প্লেট গ্রুপকী ওইনা থৌবাল মোইজিং প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা ১৫শুবা মেটচতা এস এস য়ুনা টোস ঙমদুনা পি এস সীগী মায়োক্তা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা এস এস য়ুনা অপীবা ওভর ৪০দা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৯৫ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন দিপানকরনা রন ৫৭ লৌখিবা, ৬শুবা বেটসমেন রোহিটনা রন ৪২ লৌখিবা অমদি ৯শুবা বেটসমেন গুগুনা রন ৩০ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা পি এস সীনা রন ১৯৬ অদু ৩৬শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৪দা থোইখি।

পি এস য়ুগী মায়কৈদগী ৮শুবা বেটসমেন দাইমন্দনা রন ৪৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন গুমেন্দ্রোনা রন ৩৮, মরিশুবা বেটসমেন কেনিনা রন ২৮ অমসুং অহুমশুবা বেটসমেন হোমেনজিৎনা রন ২৬ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্লেট গ্রুপকী ১৬শুবা মেটচতা কে এ এস সীনা আর সী এগা লম্বা তৌনবদা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি।

কে এ এস সীগী মায়কৈদগী ওভর ২৭কা বোল ৩ শান্নবদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১০০খক লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন সাহিরনা রন ২২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অদুগা ওপনর প্রিনোবর্টনা রন ১৬ লৌখিবা অদু পনবা য়াই। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।


মেটচ অদু মায় পাক্লনবা আর সী এগী মায়কৈদগী রন ১০১ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ২৩শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা অপূনবা রন ৮৫ খক লৌরগা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু কে এ এস সীনা রন ১৫দা থোইখি। আর সী এগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন অলফাসনা রন ১৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা প্লেট গ্রুপকী ১৭শুবা মেটচতা য়ু সী সী অমদি ইবসা লম্বা তৌনখি। টোস অদু য়ু সী সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা অপীনবা ওভর ৪০গী মনুংদা শুপ্নগী ওভর ২৮গা বোল ২ শান্নরকপদা য়ু সী সীগী বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৩০ খক লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ১০শুবা বেটসমেন দাইমন্দনা রন ১৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ওপনর শ্যাম রন ১২, মহাক্কী পার্টনর অজিৎ রন ১৩, লোয়ননা মঙাশুবা বেটসমেন থোমসন অমদি ৭শুবা বেটসমেন ফুরকননা রন ১২/১২ লৌরকখিবা অদুনা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা ইবসাগী মায়কৈদগী রন ১৩১ অদু বেটসমেন ৩খক আউট ওইরগা ২৬শুবা ওভরদা লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর রোবিনসননা রন ৫৮ লৌখিবা অমদি আউট ওইদনা রন ৩৪ লৌখিবা অতোপ্পা ওপনর রাজা বাবুগী পর্ফোর্মেন্স অদুনা টিম অদুগী মায় পাকপগী লম্বেল অদু শেমখিবনি।

মরক অসিদা টুর্নামেন্ট অসিবু শিল্লিবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মখা তাবা প্লেট গ্রুপকী অনৌবা ফিকচর অমা শেমদোরকখি। পূন্না মেটচ ১৭ শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুং ১৮শুবা মেটচতগী হৌরগা ৬০শুবা মেটচ ফাওবগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ ৪গী টিমশিংনা হান্না পীখিবা মতমশিং অদুদগী শেমদোক্লবা মতম অমদি মফমশিং অদুদা শান্ননবা রিপোর্ট তৌরনবসু খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 21

**Movsesian,S (2555) - Mirumian,V (2490)**
**World Juniors Zagan POL (7), 1997.07.21**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 d6 | 6.g4 h6 |
| 7.h3 a6 | 8.Bg2 Nc6 | 9.Be3 Ne5 |
| 10.Qe2 g5 | 11.f4 gxf4 | 12.Bxf4 Bd7 |
| 13.Nf3 Qc7 | 14.O-O-O Be7 | 15.Qf2 O-O-O |
| 16.Nxe5 dxe5 | 17.Be3 Be8... | |

**QUESTION :**
**White wins in 6 moves**

**Puzzle 20 Ans. :**

**34.**..Bf6 **35.**Rxh7+ Rxh7 **36.**Qxf6+ Rxf6 **37.**Rg8#

**35.**Qg3 Qe7 **36.**Kxg2 Bh4 **37.**Rxh7+ Kxh7 **38.**Be4+ Qxe4+


DELTA ONE SECURITY SERVICE (OPC) PVT. LTD.

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT

Vide letter no. DELTA/REC/0010-2020.Dec.29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) PVT. LTD. A Pvt Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA , New Delhi under Companies Act.2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chief Security Officer | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Col.(Retd.) | 25000/- -38000/- |
| 2. | Security Superintendent | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Maj. | 22000/--34000/- |
| 3. | Security Officers | 02 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 4. | Security Supervisors | 06 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 5. | Armed Security Guards | 160 | X or XII | 10000/--18500/- |
| 6. | Civilian Guards | 160 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 7 | Payroll Officer | 01 | M.com | 13000/- -20000/- |
| 8. | PSO | 12 | 10+2 or Graduate | 12000/- -22000/- |
| 9. | K 9 Squads | 08 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 10. | Front Office Exe. | 06 | Graduate | 8500/- -15400/- |
| 11. | Driver | 12 | X or XII with valid Licence | 8500/- -15400/- |

Interested Candidates may collect the application from the Head Office of the DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) Private Limited located at khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is Friday the 25th Febuary,2021. For more details please contact us @Mail ID : dhrmpvtltd@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Delta One Security Service(OPC) Pvt. Ltd

+91 8431803610, +91 9362273890

dhrmpvtltd@gmail.com

Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

HL-P/8725/29/1-12/2